

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,THURSDAY, JUNE 29 , 2017 PAGE 7

*ইন্দিয়াগী নুপাগী বাস্কেটবোল মশান্না চাওখৎনবগী পান্দমদা নৌনা ইন্দিয়ান বাস্কেটবোলগী কোচ ওইরগদবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এনবিএগী ভেটেরান শান্নরোই ফিল রেবর*

*রোলেক্স বুমেন্স গোল্ফ রেঙ্কিংগী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্টতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবী মশাগী চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবী সাউথ কোরিয়াগী গোল্ফর রিয়ু সো য়িওন*

## স্পেন অমসুং জর্মনি চহী ২১ মখাগী য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনখিবা স্পেনগী সোল নিগ্বেজ(ওইনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

*ক্রাকো। টাইসি, জুন ২৮ ঃ*

পোলেন্দনা য়ুম্থু ওইদুনা শান্নরিবা চহী ২১ মখাগী য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা স্পেন অমসুং জর্মনি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি স্পেন গ্রুপ (বি) গী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরকখি। অমরোমদা মখোয়গী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা জর্মনিগী টিম গ্রুপ (সি) দা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তারকখি।

ঙরাং পোলেন্দগী সিটি ক্রাকোদা স্পেন অমসুং ইটালিনা শান্নখিবা চহী ২১ মখাগী য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্না মান্নরকখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বাগা লোয়ননা শান্নরকখ্রবসু মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরক পদগী স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লক্তুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা স্পেনগী সোল নিগ্বেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ইটালিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই ফেদরিকো বর্নার্দেসিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং মিনট ৩ লৈরগা স্পেনগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা সোল নিগ্বেজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা লম্বা তৌনরকখি। শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা স্পেনগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা সোল নিগ্বেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখ্রবা মতুং শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু স্পেননা ইটালিবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা চহী ২১ মখাগী য়ুরো ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিনা ইংলেন্দবু পেনাল্টিদা পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

জর্মনি অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লম্বা মান্নখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু জর্মনিগী দেভি সেল্কেনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চন্দুনা ইংলেন্দবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী দেমারাই গ্রেনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী টামি অব্রাহমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা জর্মনিবু মাঙজিল থাখি। অদুগা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা জর্মনিগী ফেলিক্স প্লেটিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা লৈনখি।

শান্নবগী অপীবা মতম অদুদা মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী এক্সত্রা টাইমদা অমুক লম্বা তৌনবা তাখি। মদুদসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদবদগী পেনাল্টিদা লাইবক য়েংনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আউটদা জর্মনিনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ফাইনেলদা স্পেনগা লম্বা তৌনরগনি

## বুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা টিম ৮ গী মশক খঙবা লোয়খ্রে



নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা ইটালিবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

*ব্রুসেলস, জুন ২৮ ঃ*

বেলজিয়মগী সিটি ব্রুসেল্‌সনা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা বুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা টিম ৮ গী মশক মমিং খঙবা লোয়খ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পুল (এ) গী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা ইটালিবু মায়থিবা পীবা ঙমখি। অদুগা পুল (বি) দা স্পেননা য়ুম্থু বেলজিয়মবু মায়থিবা পীদুনা টিম ৪মক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা টিমশিং মাঙজেনৈনা খঙখ্রবনি। অদুবু করম্বা টিম্না কনাগা লম্বা তৌনগদে হায়বা তং দাংবা অমা খঙবা ঙমদনা লৈখিবা অদু ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা পুল (এ) অমসুং (বি) গী অরোইবা লীগ মেটচ অনীনা খঙদোকপা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসি টিম ১০ না পুল অনী থোক্লা টিম ৫। ৫ গী ওইবা লম্বা তৌনখিবনি। পুল(এ) দা নেদরলেন্দস, সাউথ কোরিয়া, ইটালি চাইনা অমসুং স্কোটলেন্দ লম্বা তৌনখি। অদুগা পুল(বি)দা ওস্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, য়ুম্থু বেলজিয়ম, স্পেন অমসুং মালেসিয়া থেংনখিবনি।

চৎন–পথাপকী মতুংইন্না টিম ১০ গী কম্পিটিসন অদুদা লীগ মেটচ ৪। ৪ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম ৪। ৪ পুল অনীদগী ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

পুল(এ) অমসুং (বি) গী ঙসি অঙনবদা অরোইবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু শান্নখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা করম্বা টিম্না কানাগা থেংনগদগে হায়বদু খঙবা ঙমখিবনি।

পুল(এ) গী ঙসি অঙনবদা নেদরলেন্দসনা ইটালিবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। পনবা য়াই নেদরলেন্দসকী টিম মমাঙগী মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা য়াম্না ৱান্না ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবনি। মখোয়না ঙসি ৫–০ দা থোইদুনা মেটচ ৪ মক মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখি।

পুল অসিদা ইটালি মায়থিখ্রবসু পোইন্ট ৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়ানা পুল অসিদা পোইন্ট ৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তারগা খ্বাইদগী নেম্বা পোইন্ট ২ ফংখিবা চাইনাগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

পুল (বি) দা স্পেননা য়ুম্থু বেলজিয়মবু ১–০ দা থোইখি। পুল অসিগী ওইনা মাঙজৌননা টিম ৪ মক–ওস্ট্রেলিয়া, ন্যু জিলেন্দ, বেলজিয়ম অমসুং স্পেন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবনি। অদুবু টিমশিং অদুগী মরক্তা পোইন্ট ফংবা অদুগী মতুংইন্না ক্বার্টর ফাইনেলগী লম্বাখক ঙাইদুনা লৈখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল থা অসিগী ২৯ দা শান্নগনি। অহানবা মেটচতা নেদরলেন্দস অমসুং স্পেন, অনীশুবদা ন্যু জিলেন্দ অমসুং ইটালি, অহুমশুবদা সাউথ কোরিয়া অমসুং বেলজিয়ম অমসুং ৪ শুবা ক্বার্টর ফাইনেলনা ওস্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনা থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সামাসদিন ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



অন্টালিয়া ওপনগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস

*অন্টালিয়া, জুন ২৮ ঃ*

টর্কিগী সিটি অন্টালিয়াদা চথরিবা অন্টালিয়া ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমদি কানাদাগী অদিল সামাসদিন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সামাসদিননা ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী সি বর্লুক অমদি পোর্টুগালগী জে সৌজাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং কানাদাগী অদিল সামাসদিননা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী জুরা পি রাজা অমসুং দি সরনবু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৯–১১), ৭–৬(৭–৪), ৪–১০ দা থোইরম্বা ওস্ট্রিয়াগী ও মারাক অমদি ক্রোএসিয়াগী এম পেভিককা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দগী সিটি লন্দনদা চথরিবা এগোন ইন্টরনেসনেল ইষ্টবোর্ন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোভিস অমসুং য়ুএসএগী দি য়ং লম্বা তৌনরগনি।

সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোভিসনা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী ভি পোস্পিলবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা য়ুএসএগী দি য়ংনা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই জে দোনাল্ডসনবু ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

এগোন ইন্টরনেসনেল ইষ্টবোর্ন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা জেক রিপব্লিক্কী কৃষ্টিনা প্লিজকোভাবু ৪–৬, ৬–১, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাবু ২–৬, ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বী স্পেনগী এল অরুৱাবারেনাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং রুশিয়াগী টি পিরোনকোভা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্না অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী দুৱান য়িংয়িংবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা রুশিয়াগী টি পিরোনকোভানা অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুবু য়াম্না কোম্না ৬–০, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

কাঙলুপ অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি অমদি রুশিয়াগী ইলিনা ভেসনিনা লম্বা তৌনগনি। কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী এন ওসাকাবু ৬–২, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বনি। অদুগা রুশিয়াগী ইলিনা ভেসনিনানা পরাগ্বেগী ভি সিপেদপু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা চাইনাগী স্বাই পেং অমসুং জোহানা কোন্টাসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। চাইনাগী স্বাই পেংনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিন্সকিবু ৭–৬(৯–৭), ২–৬, ৬–৪ দা থোইরমখি। অদুগা কোন্টানা রোমানিয়াগী এস কির্ষ্টিয়াবু ৬–২, ৬–২ দা থোইরমখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালানা ইন্দভিজুয়েল ইভেন্টতা সিলভর ফংখিবগা লোয়ননা টিম ইভেন্টতা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*সুল, জুন ২৮ ঃ*

জর্মনিগী সিটি সুলদা চথরকপা জুনিয়র ৱার্ল্ড সুট্টং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালানা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা সিলভর ফংখিবা অদুনা মতেং ওইরগা টিম ইভেন্টতা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মশাগী চহী ১৪ দা ঙাইরিবা অনিস ভনৱালানা জুনিয়র মেন্সকী মিটর ২৫ গী স্পোর্টর্স পিস্তোলদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎলম্লবা মতুং য়ুক্রেনগী সুট্টর কোরোস্টাইলোভতগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা সিলভর ফংখিবনি। পাল্লোনা মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিস্তোল ইভেন্ট অদুদা পুন্না পোইন্ট ৫৯০ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখিবা অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালানা পোইন্ট ৫৮৯ ফংলগা সিলভর মেডল অদু ফংহৌবনি।

জুনিয়র মেন্সকী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিস্তোল ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী ঝাং জুমিংনা পোইন্ট ৫৮২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখি। ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনী অনহাদ জৱান্দা অমসুং সিভম সুক্লা মথংশিৎনা পোইন্ট ৫৭৬ অমসুং ৫৬৮ ফংলগা ১৩ শুবা অমদি ৩৩ শুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র মেন্সকী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিস্তোল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১৭৩৩ ফংলগা টিমগী গোল্ড মেডল অদু লৌখি। অমরোমদা ইন্দিয়াদগী পোইন্ট অমখক হন্থরগা কোরিয়াগী টিম্না পোইন্ট ১৭৩২ ফংলগা সিলভর লৌখি। অদুগা চাইনাগী টিম্না মখা তানা পোইন্ট অমা হন্থরগা পোইন্ট ১৭৩১ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ক্রোএসিয়াগী মিরান মারেসিক্কা পোইন্ট ২৪৬ ফংলগা গোল্ড মেডল, চাইনাগী লিয়ু য়ুকুননা পোইন্ট ২৪৬.৫ ফংলগা সিলভর অদুগা অতোপ্পা ক্রোএসিয়াগী সুট্টর বোর্না পেন্টানজেক্কা পোইন্ট ২২৫.৮ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সুট্টর আর্জুন বাবুতানা পোইন্ট ১৮৪.২ ফংলগা ৫ শুবা পোজিসন তাখি। লোয়ননা টিম অসিমক্কী হির্দে হজারিকা অমসুং সাচেট পিনানাথনা মথংশিংনা পোইন্ট ৬১৮.২ অমসুং ৬১২.৯ ফংলগা ৩৬ শুবা অমদি ৭২ শুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা চাইনাগী লিয়ু য়ুকুন্না পোইন্ট ৪৫৬.৪ (১০.৩) ফংলগা গোল্ড লৌখি। জেক রিপব্লিক্কী সুট্টর ফিলিপ নেপেসালনা পোইন্ট ৪৫৬.৪(৮.৭) ফংলগা সিলভর অদুনা নোরৱেগী হেনরিক লার্সেননা পোইন্ট ৪৪৫.৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা হঙ্গেরিনা পোইন্ট ৩৫১২ ফংলগা গোল্ড, ক্রোএসিয়ানা ৩৪৮১ ফংলগা সিলভর অদুগা ফিনলেন্দনা পোইন্ট ৩৪৮১ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

জুনিয়র বুমেন্সকী কাঙলুপ্তা মিটর ১০ গী এয়র রাইফলদা চাইনাগী ঝু য়িংজিনা পোইন্ট ২৫০.৩ ফংলগা গোল্ড, জর্মনিগী অনা জানসেননা পোইন্ট ২৪৯ ফংলগা সিলভর অদুগা চাইনাগী চেন য়ি মৈনা পোইন্ট ২২৭.৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা চাইনানা পোইন্ট ১২৬২ ফংলগা গোল্ড, সিঙ্গাপোরনা পোইন্ট ১২৪৭ ফংলগা সিলভর অমসুং জর্মনিনা ১২৪৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## মণিপুরগী জুনিয়র স্বিম্মর অমসুং দাইবরশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ*

মথং থাগী ৩ দগী ৬ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা লৈবা বালেৱাদিগী সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা স্বিম্মিং পুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৪ শুবা জুনিয়র নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর ষ্টেটকী জুনিয়র স্বিম্মর, দাইবর অমদি ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে।

নুপামচাগী কাঙলুপ্তা হিরেন শগোলশেমনা ইভেন্ট ৫ শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী মরুওইবা স্বিম্মর ওইগদৌরি। মহাক্না মিটর ৫০, ১০০, ২০০ অমসুং ৪০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা শরুক য়াবদা নত্তনা মিটর ৫০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টসু শরুক য়াগদৌরি।

এল রিক্কিনা মিটর ৫০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক অমসুং মিটর ১০০ গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা শরুক য়াগদৌরি। তোনেদানবা, পুন্সিবা অমসুং মোইরাংঙম্বা মিটর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইল য়াগদৌরি। অদুগা তেরিস নোংমাইথেমসু মিটর ৫০ গী বট্টরফ্লাইদা শরুক য়াগদৌরি।

জুনিয়র নেসনেল এক্বাটিক চেম্পিয়ন্সিপ্স অদুদা মণিপুরগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী পোলো টিমসু শরুক য়ারি।

## ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস হৌরগনি

*ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা ইন্টর স্কুল গেমস ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

আর্চরি দিসিপ্লিনগী ওইনা চহী ১৪ অমসুং ১৭ কী মখাদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইবা টুর্নামেন্ট জুলাই ২৫ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ জুলাই ২০নি।

মথক্তা পনখিবা মতম অসিগা চপ মান্ননা চহী ১৪ মখাগী নুপীমচা অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী হেন্দবোলগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্কনি।

ওগষ্ট ৩ দগী ৫ ফাওবা এঠলেটিক্সকী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী এঠলেটিক্স, নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী বোক্সিং, চহী ১৭ মখা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী বোক্সিং, চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ৱেঠলিফটিং অমদি চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ফেন্সিংগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্কদৌরি।

## ২৪শুবা সেনিয়র (ইন্দিয়ান রাউন্দ) নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপকী নুপা অমদি নুপীগী শান্নরোই খল্লে

*ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ*

জুনগী তাং ২৪ থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সেলেক্সন ত্রাইয়েলগী পার্ফোমেন্সকী মতুংইন্না জুলাই থাগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা তেলঙ্গানাগী শিকন্দরবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪শুবা সেনিয়র (ইন্দিয়ান রাউন্দ) নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবা নুপীমচা ৪ অমসুং নুপামচা ৪ খল্লে হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী ডাঃ জিএ ইবোপিশক শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি নুপীগী ওইনা বিসিএসিগী দল্লিয়ু মালেশ্বরী, ৱাইএসিগী পি সোনিয়া, এসআইসিএগী সিঐচ বেবিয়া অমদি ৱাইএসিগী পৌহোই মৈরুগোলমৈনি। নুপামচাগী ওইনা এআরএসিগী পি হেরোবা, ঐচ বিজেন্দ্রনাথ, এম সুন্দর অমসুং পিসিগী সিঐচ জোন্সননি।

খনগৎলবা আর্চরশিংনা জুলাই ১ গী অয়ুক্কী পুং ৭ তাবদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অকনবা কোচিং তৌননবগীদমক এমএএগী জোইন্ট সেক্রেটরী এ সোর্নাচান্দ শর্ম্মদা রিপোর্ট তৌগদবনি। করিগুম্বা অকনবা কোচিং চথরিঙৈ মনুংদা আর্চরশিংনা মতম চানা রিপোর্ট তৌরদ্রবদি মখোয়গী মমিংশিং অদু সেলেক্সন লিষ্টতগী লৌথোক্কনি হায়না মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## এআইএফএফকী দি লাইসেন্স কোর্সকীদমক কেন্দিদেটশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৮ ঃ*

কুমজা ২০১৭ কী জুলাইগী তাং ৫ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এআইএফএফ দি লাইসেন্স কোর্সতা শরুক য়াবা য়ারবা কেন্দিদেট ২৪ খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনেরেল সেক্রেটরী এম নিলো সিংহনা খঙহল্লক্লি।

ওর্গনাইজেসন চল্লায়বদা চঙগদবা শেনফম অমদি অতোপ্পা মচাকশিং মায়োক্নবা ঙম্নবগীদমক্তা খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা লুপা ৫০০০ গী ওইবা শেনফম পীশিনগদবনি হায়না অস্ফাগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

এআইএফএফ ‘দি’ লাইসেন্স কোর্সতা শরুক য়াগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অদুদি–টিঐচ সরন, এল রোমিও, এম পাহারি, এল থম্বাল, থুগিসলাল কিপজেন, থাংলৈসে হাওকিপ, থাঙলেনকাই হাওকিপ, খিগিনহাও জোইল হাওকিপ, জি পাউলিনলোং, রোনিক নাওরেম, মোমোচা, মিনকেতন, পিয়াংলেন, লালরামসাং, ষ্টেফেন মার, ৱিজমুনি, অজয় সিংহ, প্রসান্ত রামুদামু, উনিস সুভা, বোবি সিনহা, এন জিনিতা দেবী, অনামিকা রেং, ৱাই দেবোলা অমসুং খুঞ্জাঙানবীনি।